

য়াম্না অরায়বা মওংদা ডোক্তরশিংবু কন্টেক্ট তৌনবা, হোস্পিটালগী ও পি দি টিকেৎ ককপা, কর্ন্সন তৌবদা খুদোংচানবগা লোয়ননা ডোক্তরগা ভিদিও চেট তৌবগী খুদোংচাবা লৈরবা ডোক্তর ক্যের এপ লোঞ্চ তৌখিবা



ওল ককচিং খুনৌ যুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অকুকো)না শীন্দুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং খুনৌগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চংখিবা খোঙচৎ অমদা থোল্লাউ কয়া লাউদুনা শরুক য়াখিবশিং



সী এম বিরেনগী মীহৌয়ে মখাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হৌদোকপা বালা প্রোজেক্ট বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা ওইনা ফৈজিং প্রাইমারী স্কুল, নম্বোলদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তনা হৌদোকখিবগী থৌরম




রক্তদান অমৃত মহোটসব ষ্টেট ব্লদ সেল নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর, মেঙ্গ, ষ্টেটক ব্লদ বেঙ্কশিং অমদি এন জি ওশিংগা খুৎশম্নদুনা মণিপুর ভলন্টরি হেল্থ এসোসিএসন ৱাংখৈগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প

## বালা প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা হায়দগী লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরবু শীজিন্নদুনা হেন্না ইন্টরেষ্টিং ওইবা মওংদা মহৈরোয়শিংদা লেসন পীনবগী পান্দমদা সী এম বিরেনগী মীহৌয়ে মখাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হৌদোকপা বিল্ডিং এজ লর্নিং এইদ (বালা) হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা ওইনা ফৈজিং প্রাইমারী স্কুল নম্বোলদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তনা ঙসি হৌদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর এল নন্দকুমার অমসুং ফৈজিং প্রাইমারী স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস করাম সাবিত্রিসু শরুক য়াখি।

## পোষন অভিয়ান

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্চ এন্দ এদ্যুকেসন, মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফর্মর্স ৱেলফেয়রগী মখাদা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ঙসি উৎলৌদা লৈবা কে ভি কেগী ওফিসতা নেসনল কেম্প্যেন ওন পোষন অভিয়ানগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগী লোয়ননা ওফিসকী অকোয়বদা উচারা থাখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা উৎলৌ জিপিগী প্রধান এন শরৎ, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এক্স-যুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি চেয়রমেন কে ভি কে বিষ্ণুপুর টি ঐচ চাওবা, আই সী দি এস সেল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর টি ঐচ শান্তিবালা, কে ভি কে বিষ্ণুপুরগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট এন্দ হেদ ডা. কে ঐচ ব্রজমনিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ফঙ্কসন হোষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## নোভেল ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): ডা. ময়াংলম্বম ব্রজমনি মঙাংনা ইবা নোভেল খুদোল্লৈ কৌবা লাইরিক অমা ঙসি মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী বেরিল থাঙ্গনা অথোইবা লেংবীরকপা, মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি ইম্ফালগী ভাইস প্রসিদেন্ট নাওরেম লোকেশ্বরনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ময়াংলম্বম সদানন্দনা ডা. ময়াংলম্বম ব্রজমনিনা ইবা নোভেল খুদোল্লৈগী মরমদা ৱা ঙাংখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. বাচস্পটিময়ুম সুরেশ শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): বীনেটমণিপুর (বাইওদাইভর্সিটি, ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্ট নেটৱার্ক মণিপুরনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড বেম্বু দেগী থৌরমগা মরী লৈননা সঙাইথেলদা লৈবা নুপীলাল অমদি খোংজোম লান মেমোরিএল পার্কতা উ চারাশিং অমদি ৱা পান্বীশিং থাখ্রে হায়না বীনেট মণিপুরগী সেক্রেটরি এস ভুবোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ইরাবত থাবুম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি সী পি আই থৌবাল লোকেল কাউন্সীলনা শীন্দুনা ১২৬শুবা ইরাবত থাবুম থৌরম ঙসি থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগা মায়োক্লনা লৈরিবা ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ এস সোরোজিনি, ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর ঈ লুখোই, সী পি আই থৌবালগী লোকেল এগজিক্যুটি মেম্বর কমরেদ ঐচ নোরেন অমদি লোকেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ এ কে জুগেশ্বরনচিংবনা শরুক য়াদুনা ইরাবতকী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

# কোইরেং মীয়াম্বু নমথাক তৌবগী সোসল বোয়কোট তৌরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুর (কে ৱাই ও-এম)গী ফোর্মর প্রসিদেন্ট ৱাই খুপসোখেল কোইরেং অপোকপা উতোংলোক ভিলেজদা লৈবা ৱাই রেংদন কোইরেং হায়রিবা মীওই অসিনা চহী অসিগী হৌখিবা ওগষ্ট ৭তা পাউচেগী খুথাংদা কোইরেং ম্যুজিয়ম কম্মিটি অমসুং কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীরকপা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ক্লারিফাইদ তৌরকপা অদু কোইরেং ফুরুপনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে অমসুং মিসলিদ তৌবনি হায়না লৌই। লোয়ননা চৎখিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দা কোইরেং মীয়াম হায়বদি খুল-খুলগী খুল্লাকপা, লূকলাকপা, ভিলেজ ওথোরিটি, য়ুথ ক্লব অমসুং ইন্টলেকচ্যুএলশিংনা লাউথোকখিবা সোসল বোয়কোট অদুম্মক চৎনখিগনি হায়না কে ৱাই ও-এমগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি আর টি সোনরং কোইরেংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ১৭তা কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা উতোংলোক ভিলেজ ওথোরিটি অমসুং য়ুথ ক্লবনা হোষ্ট তৌখিবা মীটিং অদুদা কোইরেংগী মীয়াম হায়বদি খুল-খুলগী খুল্লাকপা, লূকলাকপা, ভিলেজ ওথোরিটি, ক্লব অমদি ইন্টলেকচ্যুএলশিংনা শরুক য়াখি। নুমীৎ অদুদা কোইরেং ম্যুজিয়ম কম্মিটি ফোর্ম তৌখি। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না মখা তাবা দিভেলপমেন্টশিং হায়বদি কোইরেং ম্যুজিয়ম টোইলেট কন্সত্রক্সননচিংবশিং ম্যুজিয়ম কম্মিটিনা য়েংশিনবা অমদি গভর্ণমেন্টনা সেঙ্কসন তৌরকপা শেনফম খূদিংমক ম্যুজিয়ম কম্মিটিগী বেঙ্ক একাউন্টতা চঙহনবা হায়না য়ানখি। ৱারেপশিং অসি ৱাই খুপসোখেল এলিয়স রোমিওনা ইন্দদুনা ম্যুজিয়ম টোইলেট কন্সত্রক্সনগীদমক গভর্ণমেন্টনা সেঙ্কসন তৌরকপা শেনফমশিং কোইরেং ম্যুজিয়ম কম্মিটি খঙহন্দনা মহাক্কী লন্নাই একাউন্টতা চঙহল্লম্মী। মসিগী শেনফমশিং ম্যুজিয়ম কম্মিটিগী খুৎতা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়না কয়ারক হন্না লেটর ইখি। মখা তানা কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমসুং কোইরেং ম্যুজিয়ম কম্মিটিনা কৌখিবা ম্যুজিয়ম টোইলেট কন্সত্রক্সনগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নগদবনি হায়না মীটিং তরুক্লক হঞ্জিন হঞ্জিক কৌবদা মহাক অমুক্তসু শরুক য়াখিদে হায়রি।

চেরোলদুনা মখা তারদুনা হায়, অসিগুম্বা মহাক্কী থৌওংশিং অসি কোইরেং ফুরুপপু উশিংতবনি হায়না লৌই। অদুগা হায়রিবা মীওই অসিনা কোইরেং ত্রাইবকী কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না তৌফম থোকপা অমদি কোংফম থোকপা অদুগা মশানা লাল্লে হায়না হায়জরক্লিবা ফাওবা মহাক্কী মথক্তা সোসল বোয়কোট অসি থমখিগনি হায়রি।

# অরায়বা মওংদা ডোক্তরশিংবু কন্টেক্ট তৌবা য়ানবা ডোক্তর ক্যের এপ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): অরায়বা মওংদা ডোক্তরশিংবু কন্টেক্ট তৌনবা, হোস্পিটালগী ও পি দি টিকেট ককপা অমদি কন্সর্ন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক ডোক্তর ক্যের এপ হায়বা মোবাইল এপ্লিকেসন অমা লাঙ্গোলদা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

ডোক্তর ক্যের এপ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এপ অসিগী মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা ৱিনফো টেক্নোলোজিষ্টকী সী ঈ ও কোঞ্জেংবম লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি হাংদোক্লিবা এপ অসিনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি। ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হোস্পিটালদা লাক্তুনা ও পি দি টিকেৎ ককপা অমদি ডোক্তরশিং কন্সর্ন তৌনবগীদমক থেংনরিবা খুদোংচাদবা কোকহন্নবা পান্দমদা এপ অসি পুথোকপনি। এপ অসিগী মতেংনা করম্বা হোস্পিটালদা অমদি করম্বা ডোক্তর লৈরি অমসুং করম্বা মতমদা ডোক্তর অদু কদায়দা লৈগনি হায়বগী ইনফোর্মেসন পীবদা নত্তনা পেসেন্ট পার্টিনা খঙনিংবা ৱাফমশিং এপ অসিগী মতেংনা খঙবা ঙম্লগনি।

এপ অসিদা ভিদিও চেটকী খুথাংদা লায়েং পথাপ চথবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি। এপ অসি গুগল প্লে ষ্টোরদা ফংলে। অতোপ্পশিংদসু ফংহল্লগনি। এপ অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিগী প্রাইভেট হোস্পিটাল ২৪গী কন্টেক্ট থমদুনা ডোক্তর ১১০গী মথক্তা কন্টেক্ট তৌদুনা লৈরে। লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংগীসু এপ অসিদা হাপচিন্নবা মরী লৈনবশিংগা তান্নরি। এপ অসি ষ্টেট অসিগী খক্তা নত্তনা গুৱাহাতি অমদি দেল্লীদা লৈবা হোস্পিটালশিংদসু কন্টেক্ট তৌদুনা কোনশিন্নবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এঞ্জেল চিলদ্রেন হোস্পিটাল এন্দ ভেক্সিনেসনগী সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. য়াইখোম্বা তাওরেমনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা অহলশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

# বিশ্ব কর্ম্ম জয়েন্তী পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা ঘড়ীদা লৈবা মোদর্ন ইংলিস স্কুলদা ইন্দিয়া পুম্বদা পাঙথোকপগুম্না নেসনল লেবর দে (বিশ্ব কর্ম্ম জয়েন্তী) হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা বি এম এসকী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে হায়না ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেট (বি এম এস) মণিপুরগী প্রোগ্রাম কম্মিটি কে মন্দাকিনিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা অসাম ক্ষেত্র কারয়াৱাহ (আর এস এস) খ্বাইরাকপম রাজেননা মরুওইবা মীথুংলেন, রিটায়র্দ হেদ মাষ্টর গুরুময়ুম জজেন্ত অমদি সঙ্ঘথন মন্ত্রি নামোইজম তোম্বগা লোয়ননা বি এম এসকী প্রসিদেন্ট লৌক্রাকপম সনাতোম্বীনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা বি এম এসনা নেসনল লেবর দে অসি ভগবান বিশ্ব কর্ম্মগী মপোক নুমীৎতা পাঙথোক্লিবগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং ময়েক শেংনা ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৫৫গী জুলাই ২৩দা মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা হৌদোকখিবা ট্রেদ যুনিয়ন অসি ঙসিদি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউরবা মেম্বর ক্রোর ৩ হেন্না লৈবা ট্রেদ যুনিয়ন অমা ওইরে হায়রি।

# এ এম এম এম পি এসকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুরী মুস্লিম মৈরা পায়বী সংস্থান (এ এম এম এম পি এস)গী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম পোইলাপুল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সঙ্গিতা বেগম, লূপ অসিগী চীফ এদভাইজর খৈরুংনেসা চৌধুরি অমদি লখিপুরগী এম এল এ কৌসিক রাইগী বি জে পি লখিপুরগী প্রসিদেন্ট সঞ্জয় থাকুরনা মহুৎ শীন্দুনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা এম ৱাই এফ এগী এদভাইজর সেরাম হেরাজিৎ, মাইনোরিটি চ্যেরমেন বি জে পি কবিল হুসেন, দেমা খান, অনুৱার অলি, হসিনা বেগম চৌধুরি, জিয়া উল ইস্লাম, অব্দুল নুরখাননচিংবসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

এ এম এম এম পি এসকী জেনরেল সেক্রেটরি জুবেদা বেগমনা থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা ঐখোয়গী মৈরা পায়বীশিংনা হেক হৌরকপদগী মীয়ামগী অমদি মৈতৈ পাঙল নুপীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মতুংদসু পাঙথোকখিগনি। অসামদা চোইনা খুন্দারিবা মৈতৈ পাঙল খুল-খুলগী নুপী ওইবীশিংনা মৈরা পায়বী অসিদা শরুক য়াবীদুনা ঐখোয় পুন্না মৈতৈ পাঙল খুন্নাইবু অসামদা থৌনা লিংজেল চপ মান্নলা লৈ হায়বসি উৎপগী মতম য়ৌরে হায়খি।

থৌরম অদুদা দেমা খাননা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় অসামদা মশীং য়াম্না লিকপা ফুরুপ অমনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী মরক্তা পোলিটিকেল খুদোংচাবা লৌনবগীদমক মৈরা পায়বী অনী থোকপগী থৌওং অসি নুংঙাইতে। মরম অদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুন্না চৎমিন্ননবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা সেরাম হেরাজিৎনসু ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি। মরম অদুনা ঐখোয় পুনশিনবা মতম য়ৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সিকোনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ঙসিগী মীরোলনা কাউথোকপীখ্রবা লাইনিংথৌ পিসাতাও খুৎহৈববু ইৱাৎ থৌনিনবা হায়জবদা মীয়াম্না মরুওইনা খুৎশু-খুৎলায়, মেছিন, ইঞ্জিন পায়দুনা শুরি-নোম্লিবা মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংনা লাইনিংথৌ পিসাতাও খুৎহৈবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা থৌনিবীখিবা অদুগীদমক য়েলহৌমী মীতৈ মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওজবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী সেক্রেটরি জেনরেল ইরেংবম ইন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সিকোনা মীতৈ খুন্নাইগী ইনাৎকী শক্তম ঙাক্লবা অমদি য়েলহৌমী মীতৈ কন্নবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংগী মনুং চন্না নিংথৌ চন্দ্রকৃতিগী মতমদা খাঙতপতা হিন্দু বিশ্ব কর্ম্ম পূজানা মহুৎ শীনজিনখ্রবা অদুগা ঙসিগী মীরোলনা কাউথোকপীখ্রবা মতম অমগী লাইনিংথৌ পিসাতাও খুৎহৈবগী থৌরম অসি চহী খরা অসিদা সিকোনা হিঙ্গৎহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখিবনি। ঐখোয় পুম্নমক্না মীতৈ কন্নবগী ঈহৌদা হেন্না মায় পাক্লবা মীয়াম্না সিকোদা কোওপরেসন অমদি কন্সত্রক্টিভ আইদিয়া, মোরেল সপোর্টনচিংবা মখল কয়াগী মতেং পীবীয়ু হায়রি।

# সেৱা পখ্বাদাগী মনুং চন্না লম-তূ শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭২ শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা লৈবাক শীনবা থুংনা সেৱা পখ্বাদা হায়না থাখায় অমা চুপ্না চথুগদৌরিবা মীয়ামগী থৌগল তৌবা থাখায়গী শরুক অমা ওইনা ঙসি বি জে পি হৈরোক মন্দলনা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা হৈরোক কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী কমপ্লেক্স মনুং অমসুং অকোয়বদা পাঙথোকখ্রে।

লম-তূ শিৎ-শেংবা অদুদা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চৌরজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি এন ব্রোজেন, হৈরোক জিলা পরিষদ মেম্বর টি নুংশি অমদি মন্দল অসিগী অতৈ থৌ পুবা কয়া, য়ুথ অমদি কিষান মোর্চাশিংগী থৌ পুমশিং অমসুং বি জে পি হৈরোক মন্দলগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

প্রসিদেন্ট টি ঐচ চৌরজিৎনা হায়খিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা বি জে পি হৈরোক মন্দলনসু থাখায় অমা চুপ্না মীয়ামগী কান্নগদবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। ঙসি লম-তূ শিৎ শেংলিবা অসিগী মতুং উ চারা থাবা, ঈ কৎপা, হকশেলগা মরী লৈননা হেল্থ চেকঅপনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, বি জে পি ৱাংখেম মন্দলনসু সেৱা পখ্বাদাগী মনুং চন্না ঙসি থৌবাল হাওখা কৈথেলদা লম-তূ শিৎ শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি। ৱাংখেম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা ৱাই নবচন্দ্র, এক্স-মন্দল অসিগী বি জে পিগী লুচিংবশিং কে ঐচ থম্বাল, এম ইবোবী অমসুং এন শান্তি, এক্স-কাউন্সীল্লর থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল লোয়ননা এস রনবির, প্রসিদেন্ট ভারতিয়া জনতা কিষান মোর্চা অমদি অতৈ ৱার্কর কয়ানচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।

মরক অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বি জে ৱাই এম কম্মিটিনা শীল্লগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭২ শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা ওক্টোবর ২ ফাওবা থাখায় অমা চুপ্না চথুগদৌরিবা সেৱা পখ্বাদা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা থাংজ নুমীৎতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, খাঙবোক্তা পাঙথোকখ্রে হায়রি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, পৱার অমসুং ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ লাক্তুনা ঈ কৎপা মীওই বি জে পিগী থৌমীশিংদা শকখঙ চেশিংসু খুৎশিন্নখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কুমারজিৎ যুম্নাম অমদি বি জে ৱাই এম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র থোকচোমসু শরুক য়াখি।

# ব্লদ দোনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭২শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা দোনেটিং ব্লদ ইজ এন্দ এক্ট ওফ সোলিদরিটি জে ইন্ট দ ইফোর্ট এন্দ সেভলাইফ্স হায়বা থীমদা রক্তদান অমৃত মহোটসব ষ্টেট ব্লদ সেল নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর, মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি, মণিপুরদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিং অমদি এন জি ওশিংনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুর ভলন্টরি হেল্থ এসোসিএসন ৱাংখৈগী কন্ফরেন্স হোলদা মেগা ব্লদ দোনেসন দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জন, রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, এল দি এগী চ্যেরমেন মোইরাংথেম অস্নিকুমার, হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. খোইরোম সশিকুমার মঙাং, মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর হাওবম রোসিতা, জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. এল দেবেননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা ভলন্টরি ব্লদ দোনর ৩৫ না লেম্না ঈ কৎখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, পি এম নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামগী পুন্সি কনবদা চঙদবা য়াদ্রবা ঈ পীনবা অসিগুম্বা ব্লদ দোনেসন কেম্পশিং অমদি টি বি লায়না মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

লোয়ননা থৌরম অদুদা ৪৭লক ঈ পীখ্রবা পি আর দি এ বিষ্ণুপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ডা. হুইদ্রোম রোমেননসু থৌরম অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। ঈ কৎখিবা মীওইশিংদা সর্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিএসন পীদুনা ঈকায়খুম্নখি।

# নাওহল্লাই লাইবুংদা মীয়ামগী মীফম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লেন্দ রেকোর্দশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরী লৈনবা ওফিসতা লৈতবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন ককচিংনা শীন্দুনা ঙসি ককচিং কৈথেলদা লৈবা নাওহল্লাই লাইবুংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন চাওতোন অমদি জে এন জি ভি ও ককচিংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ছত্রধারিনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লেন্দ রেকোর্দশিং শুনা লৈফম থোকপা ওফিসতা লৈরম্লগা হৌজিক্লা ইম্ফাল হেদ ওফিসতা পুখৎখিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

ঙসিগী মীফম অদুনা মণিপুরগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংগী লেন্দ রেকোর্দশিং মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা থম্বগুম ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লেন্দ রেভিন্যু জুরিসদিক্সনদা লৈবা মফমশিংগী লেন্দ রেকোর্দশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরী লৈনবা ওফিসতা লৈহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা, হীরম অসিগী মতাংদা জে এন জি ভি ও ককচিংনা মণিপুরগী সী এমদা পীশিন্দুনা খঙহনখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা খুৎয়েক পীবা রিমাইন্দর অমা অথুবদা পীশিনবা, মণিপুর লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিংগী চয়েৎনবা অমত্তা লৈতনবা চপ চাবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী বাউন্দরিশিং মীয়াম খঙনা লেপথোকপীনবা তকশিনবা, লোয়ননা মফম মতম য়েংলগা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা দেম্মোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং মীয়াম পুন্না চঙশিনমিন্নবা হায়বা ৱারেপসু লৌখি।

# কলচরেল কমপ্লেক্স শাবীয়ু : শরতচান্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): কলচরনা মণিপুরবু মশক তাকইদি হায়রগা কলচরদা কখোল্লগা চহী ৭৫ হেন্না পুন্সি চুপ্পদি কখোকপা য়ারোই। চহী ৪০ হেন্না কলচরগীদমক্তা কখোল্লম্বা ময়াম অসি লৈঙাক্না পেন্সন পীরগা, থবক পীরগসু লৈঙাক্না কলচরেল কমপ্লেক্স অমা চাউনা শাবীবা তঙাইফদ্রে হায়না সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী অমদি এন ঈ জেদ সী সী দিমাপুর প্রোগ্রাম কম্মিটিগী মেম্বর শরতচান্দ থিয়ামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপ হাওবম মরক ইরোম লৈকায়গী চহী ৫০ মপুং ফারকপগী গোল্ডন জুবিলিগা মরী লৈননা ফেষ্টিভেল ওফ লৈতেং থাঙহাই থৌরমগা মরী লৈননা য়াইস্কুল পুলিসলেন্দদা মণিপুর দ্রামাটিক যুনিয়নদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা শরতচান্দ থিয়ামনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, অচৌবা কলচরেল কমপ্লেক্স অমা শাবীবগা লোয়ননা কমপ্লেক্স অদুগী মনুংদা কলাদা কখোল্লবা আর্টিষ্টশিংগী নুঙবী অমমম খীল্লগা থম্বীবা য়াই। থৌরম অদুদা কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিটিজ ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বুধ চিংথামনা প্রসিদেন্ট অমদি সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী কেসনাথোইবা শর্ম্মনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# অতল টিঙ্করিং লেবোরেটোরি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): এন আই টি আই আয়োগ, অতল ইন্নোভেসন মিসনগী মখাদা ভিক্টোরি হায় স্কুল ককচিং অমসুং ইদুলাইফ ইন্দিয়া, বেঙ্গলোর অনীনা শীন্দুনা অতল টিঙ্করিং লেবোরেটোরি (এ টি এল) অমা ঙসি ভিক্টোরি হায় স্কুলদা হাংদোকখ্রে।

অতল টিঙ্করিং লেবোরেটোরি হাংদোকপগী থৌরম অদুদা দি এম যুনিভর্সিটি, ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোননা অথোইবা মীথুং, ভিক্টোরি হায় স্কুল ককচিংগী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম ধনঞ্জয়না থৌরম মপু লোয়ননা দেপ্যুটি কম্মিস্নার চান্দেল এম রাজকুমার আই এ এস, ইদুলাইফ ইন্দিয়া বেঙ্গলোরগী ফাউন্দর থোকচোম ত্রিতেঞ্জয় অমদি ইদুলাইফ ইন্দিয়া বেঙ্গলোরগী দিরেক্টর সঞ্জু থোকচোমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন য়াওনা অখঙ-অহৈ ৱাঙাংলোয় কয়ানা অতল টিঙ্করিং লেবোরেটোরি অসি করম্বা মখলগী লেবোরেটোরিনো, স্কুলশিংদা করিগীদমক হাংদোরক্লিবনো, মসিনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা করি কান্নবা পীগদৌরিবনো হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া কয়া খুদম চাংদম কয়াগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী পূক্লিং চিংশিনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

# স্কিল কনভোকেসন সেরেমোনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা লৈবা জন শিক্সন সংস্থান (জে এস এস), থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুরনা শীল্লগা কৌশাল দীবশান্ট সামারোহ "স্কিল কনভোকেসন সেরেমোনি" অমা ঙরাং ৱাংজিং এস কে লৈকায়দা লৈবা দেবী মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হৌখিবা চহীদা ইন্সটিট্যুট অসিদা মখল কয়াগী কনভোকেসনল কোর্সশিংদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখি। থৌরম অদু পাঙথোকপগী মরুওইবা ৱাফমশিং করঞ্জীৎ লাইশ্রম (দিরেক্টর, জে এস এস থৌবাল)না থমখি। থৌরম অদুদা হিজম লেনিন (এদভোকেট জেনরেল, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর)না চীফ গেষ্ট, নেপ্রম কুঞ্জো চ্যেরমেন জে এস এস থৌবালনা প্রসিদেন্ট অদুগা নিংথৌজম ওংবী মালা (প্রধান খাঙবোক পার্ট ১ জি পি-১), লাইশ্রম প্রেমানন্দ (জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু দল্লিয়ু এ জি এস) লোয়ননা সাপম রেনুবালা লৈমা (প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু দল্লিয়ু এ জি এস ৱাংজিং)না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা হৌজিক্কী মতমদা তুংগী যুম্বীরেল ওইরিবা নহাশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া থমখি।

মতমবু অরেম্বদা মাঙহনবগী মহুত্তা অসিগুম্লবা স্কিল দিভেলপমেন্ট মখাদা হাংলিবা জে এস এস ইন্সটিট্যুট অসিদা লাক্তুনা য়াওশিনবা কান্নগনি। জে এস এস ৱাংজিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা কোনবা মফমশিংদা সেন্টর কয়া হাংদুনা কান্নবা পীরিবা অসিদা য়াওশিল্লগা খুৎ-শা হৈনবা মপুং ফাবা মী অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনসি। ইশাগী শেন্থোক লৈনবা লম্বী পীরিবা প্রোগ্রামশিং হায়বদি ব্যুটি মেক অপ, টেলরিং ফুদ প্রোসেসিং, কম্প্যুটর এপ্লিকেসননচিংবা অসি মতমসিগা চুনা চান্নরবা শিনফম অমা ওইরিবনি। নহাশিংনা য়াওশিনবীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমসু থমখি। থৌরম অদুদা চাউরাক্লা কেন্দিদেট ৩৫০ রোম্না শরুক য়াখি।

# ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল ট্রান্সফর তৌবা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): য়াঙম্বম কুমার কোলেজ (ৱাই কে কোলেজ) ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল ডা. এস গিরিবু অতোপ্পা কোলেজ অমদা ট্রান্সফর তৌবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোয়শাওনরবা মহৈরোয়শিং অদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নারনা ইরাই নুমীৎতা থোকখিবা ট্রান্সফর ওর্দর অদু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসিদগী ৱাই কে কোলেজগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমসুং গেট ছো লোনশিন্দুনা কোলেজদা কনাগুম্বা অমত্তা চঙবা য়াহনখিদ্রে। ট্রান্সফর ওর্দর ককত্রিবা ফাওবা কোলেজ থিংজিল্লগনি হায়না মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোরক্লি। ঙসি নোংমাইজিংগী ছুটি ওইজরবসু খোয়শাওনরবা মহৈরোয়শিং অদুনা লৈঙাক্কী ওর্দর অদুবু খম থেংনা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা কোলেজ কেম্পসতা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা রিভোক ট্রান্সফর ওর্দর ওফ অৱার প্রিন্সিপাল ইম্মিদিএটলি, নো অনরিজ নেবল ট্রান্সফর ওফ প্রিন্সিপাল, গো বেক ন্যু প্রিন্সিপাল, মরম চাদনা প্রিন্সিপাল ট্রান্সফর তৌবা য়ানিংদে, একাদেমীক এটমোস্ফিয়র কায়হনবীগনু, প্রিন্সিপালগী ট্রান্সফর ওর্দর খুদক্তা হন্দোকপীয়ু হায়বনচিংবা থাবা প্লে কার্দ কয়া পায়নখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা কোলেজ অদুদা হৌজিক হৌজিক ৫শুবা সেমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয় নেলসন মোইরাংথেমনা হায়, ৱাই কে কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এস গিরিবু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নারনা অতোপ্পা কোলেজদা ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর অমা ইরাই নুমীৎতা থোক্লকপসি মহৈরোয় ঐখোয়না য়াম্না কন্না য়ানিংদে হায়খি।

# ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চৎপা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ওল ককচিং খুনৌ যুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অকুকো)না শীন্দুনা ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং খুনৌগী অকোয়বদা চৎখ্রে।

ককচিং খুনৌগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়োনবা অমদি চাবা থিংননবগী অহানবা খোঙথাং অমা ওইনা শীনখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু অকুকোগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম কুমারজিৎ মৈতৈ অমদি ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন খুমুকচম লৈমা অনীনা ককচিং খুনৌ কৈথেলদগী লমথাখি।

ময়াংলম্বম কুমারজিৎ, প্রসিদেন্ট ওল ককচিং খুনৌ যুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অকুকো)না ফোঙদোকখিবদা, খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না ঙসিগী মীরোলদা চৈথেং ফংহল্লিবা অসিমক ককচিং খুনৌ হায়রিবা ইরমদম অসিদসু চাউনা মমি তারি। মসিনা তুংগী যুম্বী ওইরক্কদবা ঙসিগী চহী নৌরিবা নহারোলশিং খক্তা নত্তনা ময়ুম-মকৈ পাল্লবা লমদমসিগী মমল য়াল্লবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। হায়রিবা ফীভম অসিদা অসুম্মক লৈবা তারগদি ঐখোয়গী তুংগী মীরোলশিং অসি সুম চারবা যুম্বীগা পাঙ্খক ওইহৌরগনি।

ঐখোয়গী আশা তৌফম ওইরিবা তুংগী যুম্বীরেলশিং অসিনা সুম চারবা যুম্বীশিং ওইখ্রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই, ঐখোয়গী ইরমদম করি ওইহৌগদৌরি। অসিগুম্লবা লুরবা তানফম অসিদা খুন্নাই অসি মুৎখিদনবগীদমক, ইরমদম অসি কলহৌনবগীদমক ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লরিবা মীওইশিং অসিবু ঐখোয় পুন্না কনমিন্নবগী তঙাইফদবা তাঞ্জা অদু লাক্লে। ৱাখল্লোন অসিদা যুম্ফম ওইরগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চৎপা মীয়ামগী খোঙচৎ অসি অকুকোনা মীয়ামগা লোয়ননা অহানবগী ওইনা শীনখিবনি। মখা তানা ককচিং খুনৌগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিংবু য়োল্লিবা অমদি চারিবা পুম্নমক্কী মথক্তা অকুকোনা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শুমাং কুম্মৈগী শক্লাইরবা লীলারোয় মোইরাংথেম তোম্বী এলিয়স মৈতৈ তোম্বী জিবনমালা লীলাদা ধিরেন শাবা হায়না খঙনবা ওজা কোংবা উচেক্কোন তৌখোক মপাল ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবনা লৈখিদবদা ষ্টেটকী থাক্তা ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা এল তর্পন, এম পুর্ণিমাসি, শৌগ্রাকপম হেমন্ত, যুম্নাম নিলচন্দ্র, পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্ম অমদি লীলাগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবনা হিংলিঙৈদা পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরমশিংসু শীংথাখি।